**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 31-07.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) শেল থুমগী থবকসু পুরিবা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা শেনবা চহি ২০২৪-২৫ গী লুপা কোতি ১,৫২৬ কী দিফিজিৎ বজেৎ মণিপুর বিধান সভাদা ঙসি পুথোকখ্রে।

২) মুখ্য মন্ত্রিনা এন. বিরেন্না হায়রি- লাঞ্জেন্নরক্লিবা মীওইশিংবু থবক পীগনি হায়বা ষ্টার্টঅপ ইন্তরপ্রাইসশিংদা চাদা ৩৫ গী সবসিদিগা লোয়নবা লুপা কোতি ১ ফাওবগী শেলগী মতেং পীগনি।

৩) ৱাটর রিছোর্সেস মন্ত্রি অৱাংবৌ নিউমাইনা হায়রি- তুরেল মপানদা আইনগী ৱাংমদা য়ুম কৈ শাজিল্লিবশিং তকথোকপা হৌরে, মখা তানা তকথোকখিগনি।

৪) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি রাজ্য অসিদা হৌজিক শেল খায়বগী চৎনবী অমা লাক্লিবা অসি লাইবক থিবনি।

অমসুং

৫) শ্রী লক্ষ্মমন প্রসাদ অচ্যারিয়া মনিপুরগী রাজ্যপাল ওইনা ঙসি ৱাশক লৌখ্রে।

------

এসেমব্লি (এল) ঃ মণিপুর বিধান সভা মীফমগী ঙসি অহৌবা নুমিৎতা শেল থুমগী থবকসু পুরিবা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা শেনবা চহি

২০২৪-২৫ গী লুপা কোতি ১,৫২৬ কী দিফিজিৎ বজেৎ পুথোকখ্রে।

শেনবা চহি অসিগী ওইনা অপুনা রিসিপ্ট লুপা কোতি লিশিং ৩৪,৮১৫ ওইগনি হায়না পারি। বজেৎ অসিদা গ্রোস এক্সপেন্দিচরনা রাজ্যগী কন্সোলিদেতেদ ফন্দদগী লুপা কোতি লিশিং ৩৪,৮৯৯ ওইনবা প্রস্তাব তৌরি। কেপিটেল আউটলেনা লুপা কোতি লিশিং ৮,৬১৬ ওইগনি হায়রি। জি.দি.পিনা লুপা কোতি লিশিং ৪৯,৯৩৭ ওইগনি হায়না উৎলি।

সভাদা বজেৎ অদু পুথোক্লদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা কেন্দ্র সরকারনা মীৎয়েং থল্লদুনা শেল থুম অমদি মেন পৱারগী অচৌবা মতেং পাংদুনা লাক্লি। রাজ্য অসিগী রেভিন্যুগী অমাংবশিং মেনখৎনবা কেন্দ্র সরকারনা রেভিন্যু লোসকী স্পেসিয়েল এসিষ্টেন্স ওইনা লুপা কোতি ৫০০ পীরকখি। শেনবা চহি ২০২৩-২৪ দা এক্সতরনেল্লি এদেদ প্রোজেক্টশিংগী ফন্দ ওইনা লুপা কোতি ৫৬৫ গী শেনফম থাদোকপীরকখি। হায়রিবা শেনফম অসি রাজ্য অসিদা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী থবকশিংদা শেল থাদবদা শিজিন্নখি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তাখি।

রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাংগা মরী লৈননা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীয়ামগীদমক পায়খৎপা থৌরাংশিং পল্লদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- রিলিফ কেম্পশিং শানবা ৱান টাইম স্পেসিয়েল এসিষ্টেন্স ওইনা লুপা কোতি ১০১, লাখ ৭৫ গী রিলিফ পেকেজ অমা কেন্দ্রনা পীরকখি। লাঞ্জেন্নরক্লবা ইমুং মনুংশিংগী টেম্পররি সেল্টর লিশিং ৩ শানবা লুপা কোতি ১৪৫ লাখ ১৮ গী স্কিম অমসু কেন্দ্রনা এপ্রুভ তৌরকখি।

লুপা কোতি ২০৯.৪৫ গী শেনফমনা রিলিফ অমদি রিহেবিলিতেসনগী স্কিমশিং চলাইনবা এপ্রুভ তৌরকখি। লৌমীশিংগীদমক কম্পেন্সেটরি পেকেজ পীবগী স্কিমগী মখাদা লুপা কোতি ৩৮.৬০ এপ্রুভ তৌখ্রে। মসিগী মনুংদা লুপা কোতি ১৮.৯১ থাদোরকখ্রে। হায়রিবা শেনফমশিং অসি অপুনবা লৌমী লিশিং ৩,৪৮৩ দা য়েন্থোকখ্রে। থৌরাংশিং অসিগা লোয়ননা স্কিম ফোর কমপ্লিমেন্টরি ন্যুত্রিসন এন্দ পার্সনেল হাইজিন অমসুং হিংশানা শোকহল্লবা জিলাশিংদা আই.টি সার্ভিসশিং পীবগী থৌরাং য়াওনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীয়ামগী

পুন্সি মহিং ফগৎহন্নবা টেলিভিজন সেটশিং থন্বা অমসুং তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া পায়খৎখ্রে হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

মহাকা মখা তানা হায়- হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিদা লৈখিদ্রবা নত্রগা শোক্লবা মীওইশিংদা রাজ্য সরকারনা ক্ষেতিপুর পীনবগীদমক লুপা কোতি ১০ গী ষ্টেট কোর্পস ফন্দ শেমখ্রে। অমরোমদা, রিলিফ কেম্পতা লৈরিবশিং চাং নাইনা মশাগী শেন্থোক লৈনবগীদমক সরকার অসিনা চীফ মিনিষ্টরস ইন্তরপ্রাইস এন্দ স্কিল স্কিম-স্পেসিয়েল সপ্পোর্ট টু সকক্সেফুল ষ্টার্টঅপ এন্দ ওন্তরপ্রেন্যুর ফোর ইমপোইমেন্ট ওফ  আই.দি.পি হায়বা থৌরাং অসিসু হৌদোক্লে। থৌরাং অসিগী মখাদা লাঞ্জেন্নরক্লিবা মীওইশিংবু মখোয় মখোয়গী ইন্তরপ্রাইসশিংদা থবক পীগনি হায়বা ষ্টার্টঅপশিংদা চাদা ৩৫ গী সবসিদিগা লোয়নবা লুপা কোতি ১ ফাওবগী শেলগী মতেং পীগনি।

অমরোমদা, নুপীদা থোকপা ক্রাইমশিং থেংননবা লুপা কোতি ৫ খাত্তুনা থম্লে। লোয়ননা শেনফম অসি নালসা স্কিম ফোর কম্পেন্সেসন টু ভিক্তিমস ওফ ক্রাইম এগেনষ্ট ৱিমেনগী মখাদা খুদক্কী ওইবা মতেং পীনবগীদমক মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভির্সেস ওথোরিতিদা শিন্নখ্রে হায়রি।

রাজ্য অসিদা লেন তাবা অমদি ঈশিং ঈচাউনা থোকহনখিবা অমাং অতাশিং সরকার অসিনা য়েংশিল্লি হায়বা ৱাফম থম্লদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- লেন্না অমাং অতা থোকহনখ্রবা য়ুমশিংদা ষ্টেট দিজাষ্টর রিলিফ ফন্দগী শেনফমশিং শিজিন্নদুনা জিঙ্খাশিং য়েন্থোকখি। মসিদসু নত্তনা ঈশিং ঈচাউনা অৱাবা মায়োক হনখিবা য়ুমথোঙশিংদা অহানবা ফেজগী ওইনা লুপা লিশিং ১০-১০ পীরে হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

সরকার অসিনা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়াগী মতাংদসু মুখ্য মন্ত্রিনা ঙসিগী মীফম অদুদা থমখি। মদুগী মনুংদা রাজ্য অসিদা শান্তি রক্সাগী ফিভম ফনা থমবগী পান্দমদা খুদোংথিনিঙাই ওইবা মফমশিংদা ঙাক শেনবগী থবক চথনবা বুল্লেট প্রুফ লাইট মোটোর ভেহিকল ৪০ লৈরে। মসিগীসু মথক্তা মাইন প্রোটেক্তেদ ভেহিকল ১০ সু লৈরে  অমসুং অহেনবা খুৎশু খুৎলায়গা লোয়ননা ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং তোঙান তোঙানবা ত্রেনিংনচিংবা পীদুনা রাজ্য

পুলিসপু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা থৌরাং অমা ওইনা কেন্দ্র সরকারদা পেকেজ অমসু লানখৎখ্রে। মসি শোইদনা অয়াবা পীরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখি। চীংগী লমশিংদা পায়খৎলিবা অমদি পায়খৎলক্কদবা চাওখৎ থৌরাংশিং, লৌউ শিংউ, পৱার অমদি শান্ন-খোৎনবগী মতাংনচিংবা তোঙান তোঙানবা থৌরাংশিংগী মতাংদসু মুখ্য মন্ত্রিনা মহাক্কী ৱারোলদা পনখি। অমরোমদা, মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হন্দক পুথোকখিবা কেন্দ্রগী বজেৎপুসু শিংথাখি।

ক্কেসন (এল) ঃ ৱাটর রিছোর্সেস মন্ত্রি অৱাংবৌ নিউমাইনা হায়রি- তুরেল মপানদা আইনগী ৱাংমদা য়ুম কৈ শাজিল্লিবশিং তকথোকপা হৌরে, মখা তানা তকথোল্লগনি।

ৱাফম অসি ঙসি চথখিবা মণিপুর বিধান সভা মীফম ৱাহং পাউখুম মতমদা বিরোদি এম.এল.এ- কে.রঞ্জিৎনা হংলকপা ৱাহংগা মরী লৈননা শ্রী অৱাংবৌ নিউমাইনা ফোংদোকখিবনি। মন্ত্রিনা হায়- হৈঙাংদগী লিলোং ফাওবদা লৈবা ইম্ফাল তুরেলগী মফম ২৫৬ তা আইনগী ৱাংমদা য়ুম কৈ শাজিনবা থেংনরে। মণিপুর ফ্লড প্লেন জোনিং এক্ট ১৯৭৮ গী মখাদা য়েংশিন্দুনা আইন কায়না শাজিল্লিবশিং তকথোকবা হোৎনরি। এক্ট অসিগী মখাদা তুরেলগী ময়াইদগী মিতর ৫৫ অমসুং তুরেল তোর্বানদগী মিতর ৬ করিগুম্বা মখল অমত্তগী য়ুম কৈশিং শাজিনবা য়াদে হায়বা য়াওরি। সরকার অসিনা আইন কায়না শাজিল্লিবশিং তকথোকপা হৌরক্লি। ইম্ফালগী নমদুলোংদা লৈবা নাগা নালাগী শরুকশিংদা শাজিল্লম্বশিং তকথোকপা হৌরে। লেমহৌরিবা মফমশিং কুপা য়েংশিল্লবা মতুংদা তকথোল্লগনি।

ভেটেরিনারি বিভাগকী মতাংদা অন্দ্রো কেন্দ্রগী এম.এল.এ থৌনাউজম শ্যামকুমারনা হংলকপা ৱাহং অমগী পাউখুমদা বিভাগ অসিগী মন্ত্রি খাসিম ভাসুমনা হায়- রাজ্য অসিগী ওইনা ভেটেরিনারি বিভাগতা ডোক্তরগী সেঙ্কসন পোষ্ট অসি ১৬৩ নি। অদুবু হৌজিক হৌজিকমক ডোক্তর ১০৩ লৈরি। বিভাগ অসিগী অপুনবা ষ্টাফ লিশিং ২,০৪১ লৈগদবগী মনুংদা শুপগী ষ্টাফ ৯৮৬ খক

লৈরি। অদুমকপু লৈরিবা ষ্টাফ খরা অসিনা মনুং হঞ্জিনবা মফমশিং ফাওবা য়ৌশিন দুনা মথৌ তাবা থবকশিং পায়খৎতুনা লাক্লি।

অমরোমদা, বিভাগ অসিনা হাংদোকখিবা মোবাইল য়ুনিত ভেহিকলগী মতেংনা কেস ১০৩ লোম য়েংশিনবা ঙমখ্রে। লোয়ননা হৌখিবা মার্চ থাদগীনা হৌজিক ফাওবদা য়ুমদা য়োকপা শা-ষন লিশিং ৬৫ রোম তিকা থাদোকখ্রে হায়না মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

য়ুনিয়ন তেরিতোরি (এল) ঃ য়ুনিয়ন তেরিতোরি পীয়ু হায়বা দাবী তৌদুনা হৌখিবা জ্নগী ২৪ দা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা চৎখিবা মীয়ামগী খোঙচৎ অদুবু শিনবদা লুচিংলিবশিং সরকারনা য়েংশিনবগী থবক চখুরি হায়না মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না ফোংদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি চখুখিবা মণিপুর বিধান সভা মীফমগী ৱাহং পাউখুমগী মতমদা বিরোধি এম.এল.এ- কে. রঞ্জিৎনা হংলকপা ৱাহংগী পাউখুমদা শ্রী বিরেন্না ফোংদোকখিবনি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- চৎখিবা মীয়ামগী খোঙচৎ অদু হেন্না চাউথোরক্ত্রিঙৈদা সেক্যুরিতিনা অকনবা মীৎয়েং চংদুনা পামদবা থৌদোক থোকহনখিদে। খোঙচৎ অদু চৎকনি হায়বা হান্না পাউ ফংলবসু সংবিধান্না পীবা হক লৈবনা অহেনবা থবক লৌখৎখিদবনি।

অমরোমদা, রাজ্য অসিগী পাঙথোক্তনা লৈরিবা পঞ্চায়ট মীখল পাঙথোক বা ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসন্না মতম হেক লেপ্পলকপা ঙাইরি হায়না আর.দি. এন্দ পি.আর মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি। বিরোধি এম.এল.এ- কে. মেঘচন্দ্রনা হংলকপা ৱাহংগী পাউখুমদা শ্রী খেমচান্দনা হায়- পঞ্চায়ট মীখল পাঙথোক্তবনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং সরকারনা খঙই। মীখল অসি পাঙথোকবা হোৎনদুনা লাক্লবসু রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা পাঙথোকপা ঙমদনা লাকখি। অদুবু রাজ্যগী মন্ত্রি মন্দল মীফমনা কুপা খন্নরবা মতুংদা লাক্কদৌরিবা সেপ্তেম্বর থাদা মীখল অসি পাঙথোকবা ৱারেপ লৌদুনা ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসনদা থাখিবা লৈখ্রে। করম্বা মতমদা মীখল অসি পাঙথোক্কদগে হায়বদুদি কম্মিসন অসিনা মতম হেক লেপ্পগা খঙবা ঙম্লগনি হায়খি।

মোসন (এল) ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি রাজ্য অসিদা হৌজিক শেল খায়বগী চৎনবী অমা লাক্লিবা অসি লাইবক থিবনি। মহাকা হায়- মণিপুরদা খঙহৌদনা থোক্লকখিবা ইরাং অসিদা মীয়াম লিশিং লিশিং থোরক্তুনা সেক্যুরিতিনা লাকশিনবা ঙমদবগী ফিভম লৈখি অমসুং থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোকখ্রে।

মণিপুর বিধান সভাদা রাজ্যপালগী ভাষন থাগৎপগী মোসন খন্নবগী পাউখুম পীরদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাদবগী ফিভম অমা লাকপদৌনা তৌরিবা অসি লাইবক থিবনি। শেল খায়বা, মী ফাবনচিংবা থৌদোকশিং থোরকপা অসি হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা কন্না নিন্দা তৌরি হায়না মহাকা মখা তাখি।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- বিরোধি লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা রাজ্য অসিদা লাক্লম্বা অদু থাগৎনিঙাইনি। অদুবু মহাকা মুখ্য মন্ত্রিগা উন্ননিংদ্রবসু রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরিগা উন্নদুনা ইরাং অসি লোইশিন্নবা ৱাফম কয়া খন্নরম্বা য়াবনি। শ্রী বিরেন্না হায়- লোক সভা মীখল মমাংদা প্রধান মন্ত্রিগী মায়োক্তা সোসিয়েল মিদিয়াদা পাক্তকনা কেম্পেন চত্থখিবা অদু লাইবক থিবনি। মহাকা হায়- প্রধান মন্ত্রিনা লোক সভা মীখল মমাংদা মণিপুরগা মরী লৈননা ৱাফম কয়া ফোংদোকখিবা লৈখ্রে। ইকোন কোনবা ওইনা চহি অসিগী জ্লাই ২১ দা বজেৎ মীফমদসু মণিপুরগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

রাজ্যপালগী ভাষন থাগৎপগী মোসন খন্নবদা শরুক য়ারদুনা বিরোধি লুচিংবা ওক্রম ইবোবীনা রাজ্যপালগী ৱাফম অদুদা পল্লমদবা শরুক খরা পুথোক্লদুনা হায়- লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীয়াম করম্বা মতমদা মশা মশাগী ময়ুমদা লৈহনবা ঙমগদগে হায়বগী ৱাফম পল্লমদবা অসিনা মরম ওইরগা মহাক্কী ৱারোল অদু অমুক হন্না শেমদোকহন্নিংই। অমরোমদা, রাজ্য অসিদা জিলা অমগা জিলা অমগা ফাওনবা ঙমদবগী ফিভম লৈরিবা অসি করম্বা পাম্বেনা কোকহনগদগে হায়বা ৱাফম য়াওনা মন্ত্রি অনি য়াওনা এম.এল.এ তরা বিধান সভাগী মীফম য়াওদ্রিবা অসি য়াওহন্নবগীদমক ৱারী ৱাতাই শাবগী তাঞ্জা অমা লৌনবা ৱাফম মহাক্কী ভাষনদা পনখিদে।

থৌবাল (এল) ঃ দিপার্টমেন্ট ইনফোর্মেসন টেকোলোজি মণিপুরনা এম.এস.ঐচ.সি.এল টেক্কা খুৎশমদুনা স্কিল দিভলপমেন্ট ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি এ.আই.এস.ই.সি.টি থৌবাল ওক্রম ৱাংমাতাবদা পাঙথোকখ্রে। ঐচ.সি.এল টেক-বি মণিপুর হায়না মীংথোনবা অসি ক্লাস তুয়েল্ব লোইরবা মহৈরোইশিংদা আই.টিগী লমদা থবক ফংনবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি।

স্পেসিস (এল) ঃ মণিপুরদা অহানবা ওইনা কেটাপলির স্লগ মখল অমা নৌনা ফংলে। স্লগ মখল অসি সি.এ.য়ু ইম্ফালগী কলেজ ওফ হোর্তিকলচরগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার ডাঃ রোজিৎ থাংজমনা থেংনরকপনি। হায়রিবা স্লগ মখল অসি হৈনৌ, পুংতোন, লিচিনচিংবদা ফংই হায়রি।

চেয়ারপার্সন (এল) ঃ থবক্তগী পোত্থারবা আই.এ.এস ওফিসার টি. রঞ্জিৎ সিংহবু মণিপুর ষ্টাফ সেলেক্সন কম্মিসনগী চেয়ারপার্সন ওইনা হাপখ্রে। মহাকা ফম অসি চহি অহুমগী ওইনা পুগনি হায়না রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

গভনর (এল) ঃ শ্রী লক্সমন প্রসাদ অচ্যারিয়া মনিপুরগী রাজ্যপাল ওইনা ঙসি ৱাশক লৌখ্রে। ইম্ফালগী রাজ ভবনদা ঙসি অয়ুক পাঙথোকপা চিং লেম্লবা থৌরম অমদা হায় কোর্ট ওফ মনিপ্রগী চীফ জষ্টিস-সিদ্ধার্থ ম্রিদুলনা শ্রী অচ্যারিয়াবু থবক পায়বগী ৱাশক লৌখি।

থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহ, মহাক্কী মন্ত্রি-মন্দলগী মীওইশিং, এম.এল.এশিং, রাজনিতিগী লুচিংবশিং, সিভিল অমসুং পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং শরুক য়াখি। তুংদা, পাউমীশিংগা ৱারী শান্নবদা রাজ্যপাল শ্রী লক্সমন প্রসাদ অচ্যারিয়ানা হায়-মীপুম খুদিংমক অফবা ৱাখলতা খনবা তঙাইফদে। অথুবা মতমদা মনিপুরদা মহৌশাগী ইং তপ্পা ফিভম হনজিল্লক্কনি হায়না মহাকা থাজবা ফোংদোকখি। শ্রী অচ্যারিয়া ঙরাং অসামগী রাজ্যপাল ওইনসু ৱাশক লৌখিবনি।

লোক সভা ঃ লোক সভাদা ঙসি সিভিল এভিএসন মন্ত্রি কে. রামমোহ্ন নাইদুনা দ ভারতিয়া বাইয়ুয়ান বিধেয়ক ২০২৪ পুথোকখ্রে। বিল অদু পুথোক্লদুনা মন্ত্রিনা হায়- এয়ারক্রাফট এক্ট অসি ১৯৩৪ দগী চৎনরকপনি, মসিদা শেমদোক শেমজিন কয়ামরুম তৌখ্রে। মদুদা চমমবা লৈবশিং কোকহন্নবা ঙসিগী বিল অসি পুথোকপনি। ভারতিয়া বাইয়ুয়ান বিধেয়ক ২০২৪ না কেন্দ্র সরকারদা এরোপ্লেন লৈথোক লৈশিন তৌবা, মওং মতৌ শেম্বা, এরোপ্লেন শাবা, লৈবা য়োনবগী শক্তি পীরি। বিল অসিনা করিগুম্বা এরোপ্লেনগী এক্সিদেন্ট নত্রগা থৌদোক অমা থোরকপা মতমদা থিজিনবগী শক্তি অদু পীরি।

অমরোমদা কম্ম্যুনিকেসন্স মন্ত্রি জ্যোতির অদিত্যা সিন্দয়ানা হায়- ২০২৩-২৪ গী ওইনা ফাইভ-জি স্পেক্ত্রুম নিলাম লাউবদা সরকারদা লুপা কোতি লিশিং ১১,৩৪০ হেনবগী শেনফম রেভিন্যু ওইনা কারকখি। ব্রাফম অসি মন্ত্রিনা ঙসি লোক সভাদা ফোংদোকখিবনি।

দিল্লি ঃ দিল্লিগী কোচিং সেন্তর অমদা য়ু.পি.এস.সি পরিক্ষা থাগদবা মহৈরোই অহুম শিখিবগী মতাংদা ঙসি দিল্লি হাই কোর্টতা আম আদমি পার্তিনা লুচিংবা সরকার অমসুং ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন ওফ দিল্লিবু কন্না চৈখ্রে। কোর্টনা হায়- অরেম অপা পাম্বদগী টেক্স খোমগৎত্রবদি অসিগুম্বা খুদোংথিবা থৌদোকশিং থোক্লকপা তাবনি। থৌদোক অদু ক্রিমিনেল নেগ্লিজেন্সকী ময়েক লারবা খুদমনি হায়নসু কোর্টনা হায়খি।

প্রিতি ঃ কেন্দ্রগী হেলথ সেক্রেটরি ওইরম্বা প্রিতি সুদানবু য়ুনিয়ন পাব্লিক সার্ভিস কম্মিসন (য়ু.পি.এস.সি)গী চেয়ারপার্সন হাপখ্রে। মহাক হয়েংদগী থবক পুবা হৌরগনি। মহাকা ডাঃ মনোজ সোনিগী মহুৎ শিল্লগনি।

কেরলা ঃ কেরলাগী ৱায়ানদতা চীং নিংখায়বদা শিখিবা মী মশিং ১৬৫ শুরে। মী কনবগী থবক তৌরিবশিংনা ঙসি মুন্দাকাইদগী হকচাং কয়ামরুম ফংলে। মালাপুরম জিলাগী চালিয়র তুরেলদগীসু হকচাংশিং লৌখৎনবা হোৎনরি।

হৌজিকসু হকচাং কয়া ফুমজিনদুনা লৈরমগনি হায়না পানরি।

পেরিস ঃ  পেরিস ওলিম্পিকক্তা বেদমিন্টন শান্নরোইশিং লক্সা সেন অমসুং পি.ভি. সিন্ধু নুপা অমদি নুপীগী সিঙ্গলসকী রাউন্দ ওফ সিক্সতিন চংখ্রে।
মিতর ৫০ গী থ্রি পোজিসন রাইফল ইভেন্টতা স্বাপনিল কুলাস্তে ফাইনেল চংখ্রে।

------